# তাকয়েল সাইদা চহী অহুমলোম লৈজরল্লগা কুমজা ২০১৫দগীদি ঐহাক ভোপালগী হোক্কি একাদমিদা লৈরগা শান্নজরকখি




**খরিবম বিচু দেবী**
***(ইন্টর্নেসনল হোক্কি প্লেয়র)***

(মমাঙগী মখা)

কুমজা ২০১২দগী ঐহাক পোষ্টরিয়র হোক্কি একাদমি (ফাম) দা য়াওদুনা ষ্টেট লেভেলগী টুর্নামেন্টশিংদা শরুক য়াবা হৌজরকখি। অহানবা ওইনা হোক্কি শান্নবা হৌরকপা মতমদদি ঐহাক ফুল বেক, ফোরৱার্দ শান্নজরকখি। অদুবু কুমজা ২০১৩দা রাঞ্চিদা তৌখিবা 'নেসনল স্কুল গেমস, অন্দর ১৪)গী চৎপা মতমদদি ওজাশিংনা ঐহাকপু গোল কিপ্পর ওইনা শান্নহনখি। মদুগী চৎখিবদু ওজা এন জি মোতিলাল, ওজা প্রিয়োকুমারনা পুরগা চৎখি। গোল কিপ্পর ওইনা চৎখিবদু ঐঙোন্দদি য়াম্না হৈনখিদে। তশেংনমক্কী ঐনা পামজবদি ফোরৱার্দ নত্রগা ফুল বেক ওইনা শান্নবনি। অমরোমদা, গোল কিপ্পর ওইনা চৎলবনিনা কিট অচৌবা অমগা লোয়নবদা ঐহাক য়াম্না শাউনিংখি। অতৈ প্লেয়রশিংদি ষ্টিক অমগা জর্নিগী ফিরোল খরখক্কা ইয়াং য়াংনা নুংঙাইনা চৎখি। অচৌবা পোৎলুম অমগা ৱাই ইচিন চিন্না ঐদি ইশাদা নুংঙাইফম খঙখিদে। অদুনা মণিপুরগী মপান্দা শান্নবা চৎলমদাই খুদিংগী ত্রায়ল পীবা মতমদা ওজাশিংদা ঐদি অদুম হায়, ওজা ঐহাক ফুল বেক নত্রগা ফোরৱার্দ প্লেয়র ওইনা সিলেক্সন তৌবীয়ু। গোল কিপ্পর ওইবদু ঐ শুকপাম পামদে। ঐহাক ফজনা শান্নজগে। হোয়... হোয় আ য়ৌরগা খন্নসি, হেক্তা হায়বীরকখি। ঐনা হেক হেক মরৈ তৌবদুগীরা খঙদে রাঞ্চি চৎপা মতমদুদা ওজা মোটিলালনা ঐবু মণিপুর টিমগী লৈহৌখি। মদুগী মখা তারকপা কুমজা ২০১৩গী অন্দর ১৪গীসি দিল্লিদা অমুক তাখি। মদুদা চৎমিন্নখিবশিংদি খুরাইদগী অনামিকা, লৈস্রামদগী পুসপা, লাইফম খুনৌদগী সরিতা ঐখোয় মরিসি য়াম্না মেচিং চানবা মণিপুর টিমগী য়ং য়ং শান্নবা প্লেয়রশিং ওইখি। দিল্লি চৎপসিদদি ঐখোয় য়াম্না ফজনসু শান্নখি। গোল কিপ্পরসি ঐনা অহানবদা শান্নবা তল্লবসু ওজাশিংনা তোইনা সুম এদভাইস তৌবীরকপদগী মমৈদদি ঐহাক থৱায় য়াওনা শান্নজরকখি। তাকয়েল সাইদা লৈজরিঙৈ মতমদসু ওজা নিলকোমোলনা গোল কিপ্পরগী ট্রেনিং ফজনা পীবিরকখি। কুমজা ২০১৩সিদগীদি ঐহাক অতৈ পোজিসনশিংদা কয়া শান্নহল্লক্ত্রে। গোল কিপ্পর খক্তদা ওইনা তকখায়দুনা অদুমক শান্নহল্লকখ্রে। ওজা পুন্ন মকসু নঙদি গোল কিপ্পর শান্নগদবা

**রত্নেশ্বরি গোশ্বামী**
**হোক্কিদা মীৎয়েং অমা**

কেপ্টেন ওইহনবীরকখি। মথং মথং শান্নরকপনা, ঐখোয় ক্বার্টর ফাইনেলদা দিল্লিগী মখুৎতা পোরাগা প্লেয়রনি। অতৈ পোজিসন শান্নবদা ইন্দিয়া ফংবা ৱাগনি। শান্নবা হায়বসি পঙশান শান্নবা য়াদে। নশাগী ওইনা







অশানবা মীৎয়েং অমসু থমগদবনি। নঙোন্দা করম্বা মগুন চেল্লি হায়বসি ঐখোয়না খঙই। নঙগী ওইনদি গোল কিপ্পর শান্নবনা য়াম্না চানবা হেল্লি। অসুমাইনা ওজাশিংনা গোল কিপ্পর ওইনা শান্নৌ পঙহায়দা হায়রকপদগী মমৈদদি ঐসু ওজ াশিংনা হায়রিবসি চুমগদবা মাল্লে হায়না পুক্নিংদা ফাওরকখি।

ঐনা কন্না শান্নবা হৌজরকপা মতমদুদা মণিপুর টিমগী ওইনা গোল কিপ্পর শান্নগদবা প্লেয়রসি কয়াসু থোরকখিদে। তৌবগীসু ঐদি ফিল্ডদা শান্নবা হেক থোরক্লগদি ইশাগী ওইনা মচিং অমসু লৈজে। শান্নমিন্নরিবা ওপোনেন্টনা মখল মখা কয়াগী গোল পোষ্ট তম্না থোমজি ল্লকপা বোলশিং অসি হেক ঙমজবা থাক্তা ঙাকথোক্কে হায়না শিবা-চঙবা খঙদনা শান্নজে। ঐঙোন্দা য়ৈশিল্লকপা বোলসিনা পোষ্ট মনুংদা হেক চঙখ্রগা কোক হায়বা মখোল থোক্লবদি গোল ওইখিগদৌরিবনি হায়বসি খনবদা ঐঙোন্দা য়াম্না হৈনদবা অমা ফাওই। অদুনা বেষ্ট লেভেলদা বোল ঙাকথোকপা ঙম্নবা হোৎনজগে হায়বসিমদি ঐঙোন্দা ফজনা লৈজে।

ৱারী মখা তারদুনা খরিবম বিচুনা অসুম্না হায়রকখি, কুমজা ২০১৫গী জুনিয়র নেসনল শান্নবা চৎপা মতমদুদসু ঐহাক ফজনা শান্নজখি। মদুগী চহীদুদা নিপোলিয়ন (হোক্কি কোচ)গা মেদাম ইবেতোম্বীগনা মণিপুর টিম পুরগা চৎখি। খুমন লম্পাক্কী ষ্ট্রো টর্ফ হোক্কি ফিল্ডদা ঐহাকপু ওজা পুন্নমক্না য়াম্না ফজনা তম্বীরকখি। ওজাশিংনা তাকপীবা মতমসিদা ঐদি থৱায় য়াম্না য়াওনা তাজৈ। ঐসু ফজনা শান্নরগে খঞ্জবনিনা খরসু কন্না হোৎনজৈ। কুমজা ২০১৫গী জুনিয়র নেসনলগী শান্নবসিদা পাটিয়ালাগা ঐখোয়গা ক্বার্টর ফাইনেলদা থেংনখি। পাটিয়ালাসিদি খরা লীঙবা টিমনি। মণিপুর টিমগসিদি মখোয়না গোল মঙা/তরা হেন্না চনবা ঙমগনি খঞ্জবজাৎনি। অদুবু ঐনা কন্না ঙাকপদগী ফর্ষ্ট হাফতা গোল অমত্তা চলহনখিদে। মদুদগী হাফ টাইমদা মখোয়গী কোচনা ফোরৱার্দ শান্নরোয়শিংদা খুবাক্না থাবা, ফুবা চৈবা ফাওবা তৌখি। থোইববুদি মখোয়না থোইখি। অদুবু গোল ময়াম চল্লগা থোইবা হায়বদুদি ওইখিদে।

মথং মথং...

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১০৯

১) করম্বা সহরদা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক্তা সরক্তা (Road) লমশাং থৌবা সাইকল লমজেন্দা রেলৱেজগী ক্রোশিং (Railway Crossing) তরুক হেন্না লাম্থোক্লা থৌহনখিবগে?

২) কুমজা ১৯০৫দা করম্বা টিম অনী লৈবাক মীয়াম খঙনা মুক্না কাঙজৈ শান্নখিবগে।

৩) পোলো শান্নবদা মণিপুরিশিংনা শাগোল নাপু মচুবু করি হায়না খঙনবগে?

৪) মহাক্না ওলিম্পিক্কী অহুমশুবা সনাগী মেদল হেক ফংবগী মেদল য়েন্থোকপা লোয়বগা মহাক্কী মপা অমসুং মমাগী মনাক্তা চঙশিল্লগা অসুম্না হায়, 'মসি অফবা থবক অমনি, মসিদা মেদল অহুম লৈরে' পাজি, অমনা নঙগীনি, ইমা নঙগীসু অমনি, ঐগীদমক অহুমশুবা অমা লৈরে'। নুপা অদু কনানো?

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? ⟶



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ৩০, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিংঅদুদগী দ্রোওৎচরগালাইবকফবামীশকঅমাখনজগনি। লোয়নননাখল্লবামীশকঅদুদামনাপীজগনি।

## ওলিম্পিক ক্বালিফাইয়রগীদমক্তা নিখত জারিননা এম সি মেরি কোমগা ট্রায়লদা লম্বা তৌনরগনি





ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ২২(এজেন্সী):

জপানগী কোনুং টোকিওদা কুমজা ২০২০দা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলিম্পিক গেমসকী বোক্সিং দিসিপ্লিনগী ওইনা চাইনাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ক্বালিফাইয়িং টুর্নামেন্টতা শরুক য়ানবগীদমক ইন্দিয়াগী ওইবা বোক্সরশিংগী ট্রায়লদা নুপীগী বোক্সর নিখত জারিননা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন এম সি মেরি কোমগা লম্বা তৌনরগনি।

ন্যু দিল্লিগী ইন্দিরা গান্ধি ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ২৭তা পাঙথোক্কদৌরিবা নুমিৎ নীনিগী ওইবা ট্রায়ল সেলেক্সন অদুদা কিলোগ্রাম ৫১গী কাংলুপ্তা টেলঙ্গনাগী বোক্সর মমাঙদা ৱর্ল্ড জুনিয়র চেম্পিয়নসু ওইবা ঙমখ্রবী নিখত জারিননা ৱর্ল্ড টাইটল ৬লক ফংবা ঙমখ্রবী হৌজিক হৌজিকমক্ল া ইন্দিয়াগী রাজ্য সভাগী মেম্বর ওইরিবা মণিপুরগী বোক্সর এম সি মেরি কোমগা ট্রায়ল সেলেক্সন অদুদা লম্বা তৌনরগনি।

কিলোগ্রাম ৫১গী কেটগোরি অদুদা রেলৱে স্পোর্টস পর্মোসন বোর্দকী জ্যওতি গুলিয়া অমসুং হরিয়ানাগী রিতু গ্রিৱালসু য়াওরি।

কিলোগ্রাম ৬০গী কাংলুপ্তা ওল ইন্দিয়া পুলিসকী মায়কৈদগী শরুক য়ারিবী ৱর্ল্ড অমসুং এসিয়ন চেম্পিয়ন ওইখ্রবী মণিপুরগী হৌখিবা লাইশ্রম সরিতানা হরিয়ানাগী সচি চোপ্রাগা লম্বা তৌনগনি। লোয়ননা ৱেথ কাংলুপ অদুদা পঞ্জাবকী সিমরঞ্জিৎ কোর অমদি রেলৱে স্পোর্টস প্রমোসন বোর্দকী বোক্সর পবিত্রগা থেংনগনি।

কিলোগ্রাম ৬৯দা অসামগী বোক্সর লোৱ্লিনা বোরগোহেননা দিল্লিগী বোক্সর অঞ্জলিগা ট্রায়ল থেংনগনি। ৱেথ কাংলুপ অদুদা অতোপ্পা বোক্সর রজস্থানগী ললিতানা রেলৱে স্পোর্টস প্রমোসন বোর্দকী বোক্সর মিনারানিগা লম্বা তৌনগদৌরি।

কিলোগ্রাম ৭৫দা কেরলাগী বোক্সর ইন্দ্রজা কে এনা পুজারানিগা ট্রায়ল বাউট থেংনগনি। হায়রিবা কেটগোরি অদুমক্তদা হরিয়ানাদাগী লাকপা বোক্সর ২ সাৱিতি বুরা অমদি নুপুরগা লম্বা তৌনগদৌরি।

## এফ সি গোৱানা ওরিষা এফ সিবু পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীদুনা আই এস এলগী পোইন্ট টেবলদা মাংজিল থারি

Match on 25 Dec. (Wed.)
ATK Vs BENGALURU




মারগাও, দিসেম্বর ২২(এজেন্সী):

এফ সি গোৱানা ওরিষা এফ সিবু পাঞ্জল ৩-০দা মা মায়থীবা পীদুনা ৬শুবা হিরো ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ৯শুবা রাউন্দগী মেচ লোইশিনখিবদা পোইন্ট ১৮ ফংদুনা টিম ১০গী লম্বদা মাংজিল থাদুনা লৈরি।

গোৱাগী মারগাওদা লৈবা জ ৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়ম (ফাটোরদা ষ্টেদিয়ম)দা ঙসি নুংথিল শান্নখিবা হিরো আই এস এলগী ৯ শুবা রাউন্দ অদুগী লীগ অসিদা অহানবা ওইনা শরুক য়ারকখিবা ওরিষা এফ সিনা এক্সপিরিয়েন্স লৈরবা এফ সি গোৱাগা লম্বা তৌনবদা অহানবা হাফ অদু খরা শোখনা লৈখিবদগী এফ সি গোৱাগী মায়কৈদগী ১৯শুবা মিনটতা কোরোনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি।

মহাক্কী পাঞ্জল অদুগী মতুং ওরিষা এফ সিগী মায়কৈদগী অকনবা মওংদা শান্নরকপনা মখা তাবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিদে। অমরোমদা ওরিষাগী মায়কৈদগীসু ইক্কোলাইজর ফংদনা মিনট ৪৫গী শান্নবা অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফ অদুদসু অনৌবা টিম ওইখিবা ওরিষাগী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না এটেক চথদুনা ইক্কোলাইজর ফংনবা হোৎনরকখি। এটেকশিং অদু ঙাকথোক্লবা হোৎনবদা এফ সি গোৱাগী দিফেন্দরশিং থবক চিনখি। মদুদা টিম অদুগী ষ্ট্রাইকরশিং অদুসু পাঞ্জল চন্নবা হোৎনবা ঙমদনা লৈবদগী শান্নবগী লোইরমদাই মিনট ৪৫ শুবদা এফ সি গোৱাগী ফর্নানদেজনা কাউন্টর এটেক অমগী বোল পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমখি। মিনট ৪গী মনুংদা এফ সি গোৱাগী কোরোনা টিম অদুনা ফংখিবা পেনাল্টি অমা পাঞ্জল ওন্থোক্লগা ৩-০দা থোইখি।

| Pos | Team | Pl | W | D | L | GF | GA | GD | Pt |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Bengaluru | 9 | 4 | 4 | 1 | 11 | 5 | +6 | 16 |
| 2 | ATK | 9 | 4 | 3 | 2 | 18 | 9 | +9 | 15 |
| 3 | Goa | 8 | 4 | 3 | 1 | 15 | 9 | +6 | 15 |
| 4 | Jamshedpur | 9 | 3 | 4 | 2 | 12 | 11 | +1 | 13 |
| 5 | Mumbai City | 9 | 3 | 4 | 2 | 15 | 16 | −1 | 13 |
| 6 | NorthEast United | 8 | 2 | 4 | 2 | 8 | 11 | −3 | 10 |
| 7 | Odisha | 8 | 2 | 3 | 3 | 11 | 11 | 0 | 9 |
| 8 | Chennaiyin | 8 | 2 | 3 | 3 | 8 | 12 | −4 | 9 |
| 9 | Kerala Blasters | 9 | 1 | 4 | 4 | 9 | 13 | −4 | 7 |
| 10 | Hyderabad | 9 | 1 | 2 | 6 | 9 | 19 | −10 | 5 |

## ৱেষ্ট ইন্দিজবু ইন্দিয়ানা ৩শুবা ৱান দে মেচ ৱিকেট ৪দা থোইদুনা লৈবাক অনীগী সেরিজ লৌবা ঙমখ্রে




কটক, দিসেম্বর ২২(এজেন্সী):

ৱেষ্ট ইন্দিজগী ক্রিকেট টিমনা ইন্দিয়াদা শান্নরিবা টুরগী মনুং চনবা ৱান দে মেচ সেরিজগী ৩শুবা অমদি অরোইবা মেচ অদু ঙসি ওরিষাগী সিটি কটক্তা লৈবা বরাবতি ষ্টেদিয়মদা শান্নবদা ইন্দিয়ানা ৱিকেট ৪দা মায় পাক্তুনা সেরিজ অদু মেচ ২-১দা লৌখ্রে।

ঙসিগী মেচ অদুগী টোস ইন্দিয়ানা ঙমদুনা বোল্লিং হান্না তৌখি। মদুদা ৱেষ্ট ইন্দিজগী মায়কৈদগী অপিবা ওভর ৫০গী মনুংদা বেটচমেন ৫ আউট ওইরগা রন ৩১৫ লৌব ঙমখি।

ৱেষ্ট ইন্দিজগী ইন্নিংস অদু হৌরকপা কা হেন্না ফজবা ঙমখিদ্রবসু মিদল ওর্দর বেটচমেনশিংনা য়াম্না ফজবা মশান্না উৎলকপদগী টিম অদুগী অপুনবা স্কোর অদু ৱাংবা ঙমখি। ৫শুবা বেটচমেন ওইখিবা নিকোলাস পুরানন্না বোল ৬৪ মায়োক্লবদা সিক্স ৩ অমসুং ফোর ১০ য়ৈরগা রন ৮৯ লৌরম্বা অদুনা খ্বাইদগী য়াম্বা রন ওইখি।

অদুবু কেপ্টেন কৈরোন পোলার্দনা শুপ্নগী বোল ৫১দা সিক্স ৭ অমসুং ফোর ৩ য়ৈরগা রন ৭৪ লৌরম্বা অদুনা খ্বাইদগী ফজবা পর্ফোমেন্স ওইখি। ওপনর সাই হোপকী রন ৪২, রোষ্টোনগী রন ৩৮ অমসুং সিমরোনগী রন ৩৭ শীংথাবা য়াখি।

মেচ অদু মায় পাক্লনা ইন্দিয়ানা রন ৩১৬কী টার্গেট য়ৌনবা হোৎনরকপদা ৪৯শুবা ওভরগী ৪ শুবা বোলদা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ৩১৬ অদু লৌদুনা ৱিকেট ৪দা মেচ অদু ইন্দিয়ানা থোইদুনা মেচ ৩গী ৱান দে সেরিজ অদু ইন্দিয়ানা লৌবা ঙমখিবনি।

ইন্দিয়াগী ইন্নিংস হৌরকপদা ওপনর রোহিত শর্ম্মা অমসুং লোকেস রাহুলনা রন ১২২ লৌরমখি। রোহিত রন ৬৩দা আউট ওইখি। রাহুল রন ৭৭তা আউট ওইখ্রবা মতুং কেপ্টেন ভিরাত কোলিগী রন ৮৫না অচৌবা থৌদাং লৌরগা জদেজা অমদি সারদুল থাকুলনা লৌরমখিবা রন ৩৯ অমসুং ১৭না মপুং ওইরগা ৪৯ শুবা ওভরগী ৪ শুবা বোলদা রন ৩১৬ লৌদুনা মেচ অদু থোইখি।

## কুমজা ২০১৯দা ৫০রক শুবা পাঞ্জল চন্দুনা লিওনেল মেসিনা বর্সেলোনা টিমবু লালিগাগী পোইন্ট টেবলদা মাংজিল থাহনখ্রে




বর্সেলোনা, দিসেম্বর ২২(এজেন্সী):

মালেমগী ফুটবোল শান্নবা লৈবাকশিংগী লীগ টুর্নামেন্টশিংগী ওইবা মমিং লৈরবা স্পেনগী লা লিগাগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেচ অমদা মমিং লৈরবা ৱর্ল্ড ফুটবোল্লর ওফ দি এয়রগী মনাসু ফংখ্রবা অর্জেন্টিনা মচা লিওনেল মেসিনা চৎলিবা চহী অসিগী ওইনা মহাক্কী করিয়রগী ৫০রকশুবা পাঞ্জল চন্দুনা মহাক্কী টিম বর্সেলোনানা দিপোরটিভো অলাবেসপু ৪-১দা থোইদুনা লীগকী টেবলদা মাংজিল থাহনবা ঙমখ্রে।

ঙরাং অথেংবদা বর্সেলোনা ফুটবোল ক্লবনা য়ুম্বু ওইদুনা লা লিগাগী ১৮শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা দিপোরটিভো অলাবেসকা লম্বা তৌনখি। মেচ অদুগী হৌরকপা ১৪ শুবা মিনটতা বর্সেলোনাগী মায়কৈদগী গ্রিসমানন্না অহানবা পাঞ্চল চনখি। মহাক্কী পাঞ্জল অদুনা মেচ অদুগী অহানবা হাফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা মিনট ১১ চঙশিল্লকপদা দিপোরটিভো অলাবেসকী মায়কৈদগী ইক্কোলাইজর চনখি। মদুগী মতুং ৬৯শুবা মিনটতা বর্সেলোনাগী ষ্টার প্লেয়র লিওনেল মেসিনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মখা তানা মাংজিল থাখি। পাঞ্জল অদু মেসিগী ওইনা কুমজা ২০১৯গী ৫০রক শুবা ইন্টর্নেসনল গোল ওইখি।

মেচ অদু লোইশিল্লকপগী মতমদা বর্সেলোনাগী মায়কৈদগী মখা তানা পাঞ্জল ২ হাপচিল্লগা দিপোরটিভো অলাবেসপু ৪-১দা থোইদুনা লা লিগাগী পোইন্ট টেবলদা বর্সেলোনা মেচ ১৮ শান্নবদা পোইন্ট ৩৯ ফংলগা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরি।

লীগ অদুগী অতোপ্পা ঙরাং শান্নখিবা মেচ অমদা সিবিলানা মালোরকাবু পাঞ্জল ২-০দা থোইদুনা হান্না ৪শুবা পোজিসনদা লৈরম্বদগী পুন্না পোইন্ট ৩৪ ফংলগা ৩শুবা পোজিসনদা হায়গৎপা ঙমখি।

## নুপাগী ৱর্ল্ড নম্বর ১ টেন্নিস শান্নরোয় স্পেনগী রাফেল নদালনা গ্রিসকী ষ্টিপানোস সিসিপাসপু থোইদুনা অবু ধাবি ফাইনেল লৌখ্রে




অবু ধাবি, দিসেম্বর ২২(এজেন্সী):

য়ুনাইটেদ আরব ইমিরেটস লৈবাক্কী কোনুং সিটি অবু ধাবিদা পাঙথোকপা মুবাদালা ৱর্ল্ড টেন্নিস চেম্পিয়নশিপকী একজিবিসন মেচকী ফাইনেলদা হৌজিক হৌজিক নুপাগী টেন্নিসকী সিঙ্গলসকী ৱর্ল্ড নম্বর ১ ওইরিবা স্পেনগী রাফেল নদালনা গ্রিসকী নহা ওইরিবা শান্নরোয় ষ্টিপানোস সিসিপাসপু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা থেংনরগা সেট ২-১দা থোইদুনা টাইটল লৌখ্রে।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মুবাদালা ৱর্ল্ড টেন্নিস চেম্পিয়নশিপ অদুগী ফাইনেল অদুগী অহানবা সেট রাফেল নদাল অমসুং সিসিপাসকী মায়কৈদগী য়াম্না মান্নবা মওংদা শান্নরক্তুনা অমনা অমগী সার্ভিস গেমশিং অদু ব্রেক তৌনবা ঙমদনা লৈরকপদগী টাইব্রেক শান্নখি। টাইব্রেক অদুদা গ্রিসকী শান্নরোয় ষ্টিপানোসনা রাফেল নদালবু পোইন্ট ৭-৩দা থোইদুনা সেট অমা মাংজিল থাখি।

অনীশুবা সেটতা রাফেল নদালগী মায়কৈদগী শান্নখিবা মশান্না অদুদা গেম ৫ ফাওবা লম্বা পীরম্বা গ্রিসকী ষ্টিপানোস সিসিপাস গেম ৫-৫ ফাওবা মান্নরবা মতুং মখা তাবা গেম ২ নদালনা থোইদুনা ৭-৫তা থোইরগা ৩শুবা সেটকীদমক মখা তাবা লম্বা তৌখি।

দিসাইদিং সেট অদুদা শান্নরোয় অনীমক্কী মায়কৈদগী লম্বা লাকশিন্নবা ঙম্নখিদে। মশা মশাগী সার্ভিস গেমশিং থোইনদুনা গেম ৬-৬ ফাওবা লৈনরবা মতুং টাইব্রেক শান্নখি। মদুদা এক্সপিরিয়েন্স লৈরবা ৱর্ল্ড নম্বর ১ শান্নরোয় নদালনা পোইন্ট ৭-৩দা থোইদুনা টাইটল লৌখি।